www.sanaleibak.in

SANALEIBAK

# সনালৈবাক

PROGRESSIVE JOURNALISM

24 Carat/g : ₹ 15,388
22 Carat/g : ₹ 14,505
1 Kg Silver : ₹ 2,55,000
10 Gram Silver : ₹ 2,550
WEATHER: Cloudy
Temperature 29/23°C
Sunrise: 04:44 AM
Sunset : 05:57 PM
Petrol : ₹ 106.87
Diesel : ₹ 92.57
GAS TODAY Nill
sanaleibakdaily

Volume No: 50 Issue: 261 | IMPHAL, MONDAY, AUGUST 31, 2026 | মালিয়াফম পালচা কুমশীং ৩৪২৪–২৫ | নিংথৌকাবা, থৱানগী ১৮ নি পানবা | RNI Regd. No. 31350/77 | PAGE : 8 | Price: ₹ 5.50

# থাখিবা মতম লোইশিল্লকপদা লো থুগায়রকপশিং এক্সন লৌখৎকনি হায়রল্লগা খেমচান্দ দিল্লি পাংখ্রে

## ঙসি সেন্টরগী মকোক থোংবা কয়াগা উনগদৌরি, সেন্সসকী ৱাফম লৈখায় তাদ্রি

**‘বন্দ নত্তবা অতোপ্পা দেমোক্রেটিক ওইবা খোঙজং চঙশিনবিয়ু’**




ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩০ (এস এন এস)ঃ সেন্সস মমাঙদা এন আর সি তৌ হায়বা দিমান্দদা হৌজিক পায়খৎলিবা সেন্সসকী প্রোসেস লেপহন্দুনা থা অসিগী ৩১ ফাওবদা সেন্সস য়ৈথোক্ত্রবদি সেপ্টেম্বর ১দা মণিপুর পূম্বা জেনরেল ষ্ট্রাইক তৌগনি হায়না জে এফ দিনা লাউথোকখিবগী মতম লোইশিল্লকপগা ইরোইননা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দ দিল্লিগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত সাহনা কৌরকপদগী চৎখিবা খেমচান্দনা বন্দ নত্তবা অতোপ্পা দেমোক্রেটিক ওইবা লম্বীদা খোঙজং চঙশিনবিয়ু হায়না অপিল তৌরম্বগা লোয়ননা কনাগুম্বনা খোঙজং চঙশিনবদা লো থুগায়রক্লবদি অকনবা এক্সন লৌখৎকনি হায়না চেকশিন ৱা থল্লম্লে।

চীফ মিনিষ্টরনা ঙসি ইম্ফাল থাদোকখিবা অদুগা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টর সেক্রেটরিয়েটতগী থাদোরকপা পাউ অমনা হায়, মণিপুর লৈঙাক অমসুং য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্ট অনীমক্না মণিপুর মীয়ামগী অনীংবা অপান্বশিং ফংহন্নবা হোৎনরি। চৈরক অসিদা বন্দ কৌশিনবা অসি মরম চাদবা থবকনি। মসিনা অফবা পুরকপগী মহুৎতা মীয়ামদা হেন্না অৱাবা পীগনি। বন্দ তৌবা হায়বসিনা মণিপুরদা নোংমগী শুরগা চারা তাঞ্জরিবা অমসুং মহৈরোইশিংদা হেন্না অকায়বা পী। চুন্না ইনশাং নাপী খরা য়োঞ্জরগা নোংমগী চারা তাঞ্জরিবশিংগী পুন্সিদা কা হেন্না খুদোংচাদবা থোকহল্লি অমসুং মহৈরোইশিংবুসু একাদেমিক এটমোসফিয়র কায়হন্দুনা লমদম অসিগী তুংগী য়ুম্বী ওইগদৌরিবা মহৈরোইশিংদা অকায়বা কয়া পী। মদুদসু নত্তনা বন্দ তৌবা অসিনা অফবা পুরকপগী মহুৎতা পামদবা থৌদোক *...মখা লমায় ৫দা...*

# শিবা–নাবা কিদনা খোঙজং চঙশিনগনিঃ জে এফ দি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩০ (এস এন এস)ঃ সেপ্টেম্বর ২দগী ৭ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা এসেম্ব্লী মীফমদা মীয়াম্না তাল্লিবা দিমান্দ সেন্সস তৌদ্রিঙৈ এন আর সি হান্না অপদেট তৌগদবনি হায়বগী ৱারেপ লৌদুনা মীয়ামদা লৈঙাক্না লাওথোক্ত্রবদি শিবা–নাবা কিদনা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লকনি। মদুদা থোরকপা অফবা ফত্তগী তেকচাক পূম্বা লৈঙাক অসিনা পুগদবনি হায়না কেম্পেইন ফোর জষ্ট এন্দ ফেয়র দিলিমিটেসন (জে এফ দি)গী ফাইনান্স সেক্রেটরি সুনিল করামনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাকৎ মীফম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা সুনিল করামনা হায়, জে এফ দি অমদি মীয়াম্না লমদম অসিদা এন আর সি অপদেট তৌদ্রিঙৈ সেন্সসকী থবক পায়খৎপা য়ারোই হায়দুনা তান্দুনা লাক্লিবা দিমান্দ অসিদা ঙসি ফাওবা লৈঙাক অসিনা মীয়ামগী অপাম্বা চপ চানা পাঙথোক্কনি হায়বগী ৱাফম অমত্তা ফোঙদোক্তনা লৈরি। এন আর সি অপদেট তৌরবা মতুং সেন্সসকী থবক পায়খৎকনি হায়বা ৱাফম *...মখা লমায় ৫দা...*

# থৌবাল অমসুং ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মফম কয়াদা মীয়ামগী খোঙজং চঙশিনখ্রে

থৌবাল, ওগষ্ট ৩০ (এস এন এস)ঃ এন আর সি অপদেট তৌদনা সেন্সস তৌবা য়ারোই হায়না ঙসিসু থৌবাল অমসুং ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মফম কয়াদা মীয়ামগী খোঙজং চঙশিনখ্রে।

নিঙোম্বম অপূনবা মৈরা পায়বী লূপ, নিঙোম্বম য়ুথ পাইওনরস ক্লব, নিঙোম্বম উথা য়ুথ ক্লব, নিঙোম্বম আইদিয়েল য়ুথ ক্লব, এস দি সি থৌবাল নিঙোম্বম অমদি য়ু টি এলনা পূন্না শীন্দুনা থৌবাল নিঙোম্বম লক্ষ্মী বজারদা ঙসি জে এফ দিগী দিমান্দ শৌগৎতুনা খোঙজং চখ্রে। খোঙজং অদুদা জে এফ দিগী সুনিল করাম অমদি মশক নাইবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

ৱাংজিং লমদিং হৈরোক এরিয়া ওটোরিক্সো ৱেলফেয়ার এসোসিয়েসনগী মেম্বরশিংনসু মীয়াম্না চথুরিবা *...মখা লমায় ৫দা...*

# মণিপুরগী সেন্সস ওপরেসন য়ৈথোক্লবা য়ানা লৈরে




ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩০(এস এন এস)ঃ মণিপুরদা অচৌবা ৱাথোক ওইরক্লিবা সেন্সস তৌবগী থবক মণিপুরগী ওইনা য়ৈথোক্লবা য়ানা লৈরে।

পাউ চে অসিনা থাজবা য়াবা মফম অমদগী ফংবা পাউ অমগী মতুং ইন্না ইন্দিয়া পূম্বদা পাঙথোক্কদৌরিবা সেন্সস ২০২৭তা মণিপুরগী ওইনা সেন্সস ওপরেসন তৌবা অসি মতম খরা য়ৈথোক্লবা য়ানা লৈরে হায়রি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়, মণিপুরদা এন আর সি তৌদুনা মীতোপ খন্দোক্ত্রিবা ফাওবা সেন্সস তৌবা য়ারোই হায়না জে এফ দি, ১৪ সি এস ও অমসুং তোঙান–তোঙানবা মায়কৈ কয়াদগী অকনবা প্রেসর পীনরকপা অমসুং মণিপুরদা কুমজা ২০২৩গী মে ৩দগী থোক্লকখিবা ইরাংনা মরম ওইরগা হৌজিক ফাওবা তগু লৈতাদবগী ফিভম অমা লৈরিবা অসিগী য়েংলগা সেন্সস অসি মতম খরা য়ৈথোকপগী ফিভম অসি লাকপনি।

এন আর সি তৌদনা সেন্সস তৌবা য়ারোই হায়না জে এফ দিনা সেন্সস বোইকোট তৌবা য়াওনা জেনরেল ষ্ট্রাইকনচিংবা খোঙজং কয়া লেপ্তনা চঙশিল্লি। নাকল অমরোদা, ১৪ সি এস ওনা দিল্লিদা চৎতুনা সেন্ট্রেলগী লুচিংবা কয়া উনদুনা এন আর সি তৌনবা তকশিনখি। মদুদসু নত্তনা মণিপুর হায় কোর্টতা রিট পিটিসন থাঙ্গৎতুনা সেন্সস প্রোসেস তৌহন্দনবা *...মখা লমায় ৫দা...*

## ৱাখলগী চিঙ্গাক

মচিন মনাও হাৎতোক্লরগা মমা মপাগী লন–থুম মীতোপ্পা ফংহৌই

# এন আর সি তৌহৌদ্রবদি মৈতৈ ফুরুপকী অরোইবা সি এম ওইখিবসু য়াইঃ এল রামেশ্বর

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩০(এস এন এস)ঃ অকক্লবা বেজ ইয়ার অমদা য়ুম্ফম ওইরগা নেসনেল রেজিষ্টর ওফ সিটিজেন্স (এন আর সি) অপদেট তৌহৌদ্রবদি ষ্টেট অসিগী হৌজিক লৈরিবা চীফ মিনিষ্টর অসিনা মৈতৈ ফুরুপকী অরোইবা সি এম ওইখিবসু য়াই হায়না কৈরাও এসেম্বলি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম এল এ লৌরেম্বম রামেশ্বর মীতৈনা ফোঙদোকখ্রে।

উরুপ অরাপ্তি দিভলপমেন্ট কোওর্দিনেটিং কম্মিটি (য়ু এ দি সি ও সি)না স্পোন্সর তৌদুনা অরাপ্তি বোকুলমখোঙ গ্রাউন্দদা ঙসি পাঙথোকখিবা অরাপ্তি য়ুথ মহাদেব ওর্গনাইজেসন (আইমো)গী ৩০শুবা মপোক কুমওন থৌরমগা ইরোয়ননা অরাপ্তি পূম্বগী ওইনা চহী অসিগী পাঙথোকখিবা ক্লাস টেন অমদি টুয়েল্ভ এগজামিনেসনদা মার্ক ৱাংনা ফংলকখ্রবা মহৈরোইশিংদা মেরিটোরিয়স *...মখা লমায় ৫দা...*




# মেখলিপরা শেমগৎপদা মতেং পাংগনিঃ অরুনকুমার

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩০(এস এন এস)ঃ ত্রিপুরাদা মীতৈশিংনা ইহান হান্না খুন দাখিবা মফম অমা ওইরিবা মেখলিপরা শেমগৎ শাগৎপগী থবক থৌরমদা অঙন্বা মতেং পাংগনি হায়না ৱাংখৈ এ সিগী এম এল এ থাংজম অরুনকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

পেত্রিওটিক রাইটর্স ফোরম মণিপুর অমদি ত্রিপুরা খুৎশন্নরগা ৩৫শুবা মণিপুরী লেংগ্বেজ দে সেলেব্রেসনগা মরী লৈননা আগরতলাগী মুক্তধরা ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখিবা ইমালোনগী কুম্মৈ থৌরমদা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়ারদুনা ৱাফম অসি *...মখা লমায় ৫দা...*

# শিবা চঙবা খঙদনা খোঙজং চঙশিনগনিঃ অপাল

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩০(এস এন এস)ঃ ইন্দিয়া অমদি মণিপুর লৈঙাক অনীমক্না লমদম অসিগী মীয়াম্না পাল্লিবা সেন্সস তৌদ্রিঙৈদা এন আর সি তৌগদবনি হায়বা ৱাফম অসি থবক ওইনা পাঙথোক্তবা তারগদি অমাই পিবা অপুনবা লূপ (অপাল), কংলৈপাক্না শিবা চঙবা খঙদনা খোঙজং কয়া চঙশিন্নবা শেম শাবা লোয়রে হায়না লাউথোরক্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা পাউমীশিংগা উনবা অমদা লূপ অসিগী জেনরেল সেক্রেটরী অঙোমচা *...মখা লমায় ৫দা...*

# ‘থোক্লিবা ইশুশিং লৈঙাক্না নাথৈরগা চপ চাবা ফিরেপ খঙহন্দনা মীয়াম্বু অপঙবা শীদুনা থল্লে’



ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩০(এস এন এস)ঃ মণিপুরদা থোক্লিবা ইশুশিং লৈঙাক্না নাথৈরগা চপ চাবা ফিরেপ খঙহন্দনা মীয়াম্বু অপঙবা শীদুনা থল্লে হায়না সগোলবন্দ এ সিগী হান্নগী এম এল এ ডা. কে ঐচ লোকেননা ফোঙদোকখ্রে।

সগোলবন্দ ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিনা শিন্দুনা ঙসি নো এন আর সি, নো সেন্সস হায়বনচিংবা স্লোগান কয়াগী মখাদা সগোলবন্দ থিঙোম লৈকায় কম্যুনিটি হোলদা চথখিবা ৱাকৎ মীফম অমগা মরী লৈননা ডা. লোকেননা মখা তানা হায়, ষ্টেট অসিদা হৌজিক লৈরিবা বি জে পি লৈঙাক অসিনা অমদি সেন্টরগী লুচিংবশিংনা মীয়ামগী ইহুল খঙনা থবক তৌরক্কনি হায়বা নত্তনা করি তৌরিবগে। চহী ৩ হেল্লবা মণিপুরগী ইরাং অসিদা সেন্তরগী লুচিংবশিংনা মীয়ামগী ইহুল খঙনা করি থবক তৌখ্রবগে। এন আর সি *...মখা লমায় ৫দা...*

# কৈফা রোদতগী য়াল্লবা খূৎলায় ফঙখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩০ (এস এন এস)ঃ বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অমদি সেক্যুরিটি ফোর্সকী অপূনবা টিম অমনা চথখিবা সর্চ ওপরেসন অমদা ৱাটর সপ্লাই পম্প মনাক্তা লৈবা কৈফা রোদ পাতোনদগী য়াল্লবা খূৎলায় ফংবা ঙমখ্রে।

কম্বাইন্দ টিম অদুনা ফংবা ঙমখ্রবা *...মখা লমায় ৫দা...*

# হেরোইন পাউদরনি চিংনবা গ্রাম ৫৩ ফারে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩০ (এস এন এস)ঃ বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা নুংতিগী চথবা চ্যেকিংগী মনুং চন্না ঙরাং ফৌগাকচাউ ইখাই পি এস মনাক্তা হেরোইন পাউদরনি চিংনবা সোপ কেস ৫দা হাপ্পুনা পুরকপা গ্রাম ৫৩ রোমগী হেরোইন পাউদর ফাবা ঙমখ্রে।

*...মখা লমায় ৫দা...*

# ‘আর্ট এন্দ কলচর অমদি স্পোর্টকী লমদা অহেনবা মীৎয়েং থম্বিবা মথৌ তাই’



ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩০ (এস এন এস)ঃ মণিপুরবু মালেমদা মশক তাক্লিবা আর্ট এন্দ কলচর অমদি স্পোর্টসকী লম অসি লৈঙাক্না হেন্না কুপ্না য়েংশিনবা মথৌ তাই। আর্ট এন্দ কলচর অমদি স্পোর্টকী লম অসিনা ফুরুপশিংগী মরক্তা হেন্না অফবা মরী থম্বা অমদি *...মখা লমায় ৫দা...*

# মণিপুরগী ইশুশিংদা পার্টিগী ষ্টেন ঙসি খঙলগনি, মীয়ামগী ইহুল খঙনা থবক তৌবা ঙমগদবা পার্টি মশক খঙসিঃ মহেশ্বর

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩০ (এস এন এস)ঃ ১৯৫১দা বেজ ইয়র ওইরগা এন আর সি তৌবা, সেন্সস মমাঙদা এন আর সি তৌবা য়াওনা তোঙান–তোঙানবা মণিপুরগী ইশুশিংদা আর পি আই (অথৱালে)না লেপ্পুনা লাক্লিবা হেন্না ময়েক শেংনা মীয়ামদা অমুক হন্না লাউথোক্লবগীদমক হয়েং পার্টি অসিগী নেসনেল প্রসিদেন্টসু ওইরিবা সোসিয়েল জষ্টিস এন্দ ইমপৱারমেন্টকী য়ুনিয়ন ষ্টেট মিনিষ্টর রামদাস বি অথৱালে মণিপুরদা লাক্লগনি।




মণিপুরগী অচৌবা ইশুশিং অসিদা পার্টি খূদিংমক্কী ষ্টেট খক্তা নত্তনা সেন্ট্রেল লেভেলগী ষ্টেন খঙদোক্তুনা মীয়ামগী ইহুল খঙবা অমসুং থবক তৌবা ঙমগদবা পার্টি মশক খঙদোকমিন্নসি হায়না পার্টি অসিগী নেসনেল সেক্রেটরিসু ওইরিবা *...মখা লমায় ৫দা...*

# মীহুৎ ওইবদা মতিক চাদ্রে খঙলবা মীদা থাজবিগনুঃ লাইতোঞ্জম জয়ানন্দ

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩০(এস এন এস)ঃ পিপলস দেমোক্রেটিক এলাইন্স (পি দি এ) গী কেন্দিদেট ওইনা লাক্কদৌরিবা ষ্টেট এসেমব্লিগী মীখলদা খুরাই এ সিগী মীরেপ অমা ওইনা থোক্কদৌরিবা লাইতোঞ্জম জয়ানন্দগী ইলেক্সন সেন্ট্রেল কম্মিটি ঙসি শেমখ্রে।

চহী মঙাগী মতুংদা পাঙথোকপা জেনরেল এসেমব্লি অসিদা শরুক য়াবা হায়বসি লৈবাক অসিগী সিটিজেন অমা ওইবগী দেমোক্রেটিক রাইটনি, তৌফম থোকপনি। এসেমব্লি মীখল অসি মণিপুর থুগায়বা পাম্বা কুকিশিংনা তৌহন্নিংদে, মীখল অসি হেক *...মখা লমায় ৫দা...*

## লোইরেদনা

মৈসি তশেংনা ৱাৎলমালেনে, ফজনা চাং নাইনা মুৎলেনে



লমদমসিদা ৱাৎতবা করিসু লৈরিগেনে

# সেন্সস তৌবগী থবক থৌরম অথীংবা থল্লেঃ এস দব্লীউ সি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩০(এস এন এস)ঃ সোসিয়েল ৱার্কস ক্লব (এস দব্লীউ সি) হৈরাঙ্গৈইথোঙনা কোনবা মফমশিংদা সেন্সসকী মরী লৈনবা থবক থৌরম খূদিংমক অথিংবা থল্লে। এন আর সি হান্না অপদেট তৌদ্রিঙৈ সেন্সস তৌবা য়ারোই হায়না ঙসি ক্লব অসিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

ঙসি এস দব্লীউ সি হৈরাঙ্গৈইথোঙগী ৬৫ শুবা মপোক কুমওনগী থৌরমগা মরী লৈননা ক্লব অসিগী *...মখা লমায় ৫দা...*

# মণিপুরী লোল চাউখৎহনবদা মীশিং হেনগৎপগী তঙাইফদবা লৈঃ চান্দবাবু



ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩০(এস এন এস)ঃ মণিপুরী লোল চাউখৎহনবদা লোল অসিবু ঙাঙবা মীশিং হেনগৎহনবগী তঙাইফদবা লৈ। মণিপুরী লোল খক্তা নত্তনা লৈবাক অসিগী মরুওইবা লোল কয়া য়োকখৎনবগী পান্দমদা খোঙথাং কয়া পায়খৎনবা মীৎয়েং থল্লি হায়না ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটি (দি এম য়ু)গী ভাইস চান্সেলর *...মখা লমায় ৫দা...*

# ‘হেন্না কনশিনবা খোঙজংগী শেম শামিন্নরসি’

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩০(এস এন এস)ঃ সেন্সসকী থবক লেপ্লগনি অমদি সেন্সস য়ৈথোক্লগনি হায়বগী লৈঙাক্না অথুবদা চেরোল থোক্ত্রবদি মীয়াম হুপ্পা চঙশিল্লিবা খোঙজং অসিদা হেন্না কনশিনবা খোঙজং চঙশিন্নবা শেম শামিন্নরসি হায়না কোওর্দিনেটিং কম্মিটি ওন মণিপুর ইন্টিগ্রিটি (কোকোমি)না অপিল তৌরক্লি।

কোকোমিগী আই পি আর সব কম্মিটিগী কনভেনর ফিজম শ্যামচান্দনা থাদোরকপা *...মখা লমায় ৫দা...*

# থৱায় থাবা কিদনা থেংনসিঃ অশিরজিৎ

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩০(এস এন এস)ঃ মতম মতমগী থোরকপা ইসু অমদি লৈবাক্কী লুরবা তানফমশিংদা থৱায় ফাওবা থাবা কিদনা থেংনবা ঙম্বা লুচিংবা মথৌ তাই হায়না কুমজা ২০২৭গী জেনরেল ইলেক্সনদা খুরাই এ সিগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট ওইগদৌরিবা হাওরুংবম অশিরজিৎ (বোইচা)না ফোঙদোকখ্রে।

লাক্কদৌরিবা কুমজা ২০২৭তা পাঙথোক্কনি হায়না পন্নরিবা ১৩শুবা ষ্টেট এসেমব্লি *...মখা লমায় ৫দা...*

## মন্দে পোজিটিভ ন্যুজ

# নুমীদাংদা এক্সিদেন্ট থোকপগী চাং হন্থহন্নবগী গাড়ীশিংদা হায় বিম হেদ লাইট লৌথোক্লগনি



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ৩০ (এজেন্সি)ঃ কার, টু হ্বিলর, বস অমদি ট্রক্লচিংবা গাড়ীশিংদা মরম চাদনা হায় বিম হেদ লাইট থান্দুনা থৌবনা মরম ওইরগা নুমীদাংগী মতমদা লম্বীগী এক্সিদেন্ট থোকপগী চাং হেনগৎলকপা হন্থহন্নবগী পান্দমদা মিনিষ্ট্রি ওফ ট্রান্সপোর্টনা গাড়ীশিংদগী হায় বিম হেদ লাইট লৌথোক্তুনা অতোপ্পা থৌরাং অমা তৌনবা থৌরাংখ্রে।

পনবা য়াবদি লৈবাক অসিদা থৌনরিবা গাড়ীশিংদা মরম চাদনা হায় বিম হেদ লাইট থান–থানদুনা থৌনবা মরন্না খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লুরে। লোয়ননা এক্সিদেন্ট থোকপগী চাং ৱাংখৎলকপগীসু অচৌবা মরম অমা ওইবনা থৌরাং অসি মিনিষ্ট্রি ওফ ট্রান্সপোর্টনা লৌখৎক্তুনা অতোপ্পা মখলগী হৌজিক শীজিন্নরিবা অঙৌবা অরংবা লাইট অসিদা স্কাই ব্লু মচু অমা য়ানশিন্নবগী থৌরাং তৌরি। থৌরাং অসি মায়পাক্না পাঙথোকপা য়ানবগীদমক মিনিষ্ট্রি ওফ ট্রান্সপোর্টকি মায়কৈদগী গাড়ী পুথোক্লিবা কম্পনি মারুটি, টাটা, মহিন্দ্রা অমদি অতৈ অতোপ্পা কম্পনিশিংদা প্রপোজেলসু থাখ্রে হায়রি।

থৌরাং অসিগী মনুংচন্না গাড়ীশিংদা অনৌবা মখলগী ওদিও অলার্ম অমসু হাপ্লগনি। করিগুম্বা গাড়ী থৌরিবা দ্রাইভর অদুনা মরম চাদনা হায় বিম হেদ লাইট থান্দুনা থৌরবদি লো বিম হেদ লাইট ওইনা থাল্লু হায়বগী ইন্স্ট্রক্সন পীরক্কনি। লোয়ননা গাড়ী হেক ষ্টার্ট তৌবগা মশা মথন্তা হেদলাইট ওন তৌজবা গাড়ীশিংগী ওইনসু ওটোমেটিক ওইনা লো বিম লাইট মোদতা চৎচখিনবা টেক্নোলোজিসু হাপ্লগনি। থৌরাং অসি তম্পাক লম অমদি চীংগী লমশিংদা খুদোংচাদবা মায়োক্লুহনগদ্রা হায়বগী ৱাফমদসু য়ান্না কুপ্না খন্না নৈনরি। রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না পূন্নমক্না অয়াবা পীনরক্লবদি মথং চহী ২০২৭ কী এপ্রিল থাদগী থৌরাং অসি লৈবাক শীনবা থুংনা চৎনহনবা হৌরগনি হায়রি।

## হেক্তা হায়জিনবা

### হংনরিবা ৱাহং

হংনরিবা ৱাহংনি
তম্পাকসিনা চীং ওইরল্লবা
চুরাচান্দপুর ওইরল্লবা
কাংপোকপী ওইরল্লবা
সিক্যুরিটিনা থৌনা ফুদোক্লমগদ্রা
রেল্লি চৎপা থিংলমগদ্রা
খোল্লাও লাওবা থিংলমগদ্রা
টিয়ার গ্যাস কাপলমগদ্রা
রবর বুলেট কাপলমগদ্রা
কর্ফ্যু হেক্তা থমজিল্লমগদ্রা
লৈঙাক্না কৈসু হায়রম্লোইদ্রা
তম্পাকসিনা চীং ওইরল্লবা
চীংগী লম ওইরল্লবা
সিক্যুরিটিনা থৌনা ফুদোক্লমগদ্রা
হংনরিবা ৱাহংনি
পাউখুম ফংলরোইদৌবা ৱাহংনি
হংনরিবা ৱাহংনি।

# হাকমল্লেদাঃ হৌদোং শরিক থাংবগী উচি ৱারেপতি তাহল্লরোইসি

*নেপ্রম কৃষ্ণমোহোন*

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩০ঃ অৱাং নোংপোক লমদম চাওখৎতনা লৈবাক অসি চাওখৎলে হায়বা য়ারোই হায়না লাউরক্লিবসি কুইরেদা। অদুবু ঙসি চহী অহুমগা থা মরী হেঞ্জিল্লক্লবা ফাওবদা পীকখ্রবা মণিপুর ষ্টেটকী ৱাথোক অসি ফাওবা ৱারোইশিন পুরকপা ঙমদ্রি। উচিরাই কাবগা উচেকখোং হৌবগা লেঙ্গোন্নবা হায়বদি অমগী অৱাবা খাঙলিঙৈদা অমা অমুক থোকচিল্লক্তুনা হেন্না অৱাবা নংবা হায়বদুমক হেক থোক্লরে। কুকি নার্কো টেরোরিষ্টশিংনা য়েলহৌমী মৈতৈদা, মথংদা তাঙ্খুল নাগাদা, অদুদগী লিয়াংমাই নাগাদা মথং মথং খুৎ থারক্লিবা অসিদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনবদা থোক্লিবা হিংশাগী থৌদোক কয়াগী মরক্তা এন আর সি অপদেট তৌদনা সেন্সস তৌবা য়ারোই হায়না লমদমসিগী য়েলহৌমী ফুরুপ খূদিংমক্না খোঙজং চথরি, খোল্লাও কয়া লাউরি, ইন্দিয়া লৈঙাক্তা অমদি মণিপুর লৈঙাক্তা অইবা চেরোল কয়া পীশিল্লি। লৈঙাক পায়রিবা বি জে পিগী এম এল এশিং মিনিষ্টর য়াওনা দিল্লিদা হোৎচিল্লি, অদুবু তুমিন্না লৈখ্রে, চৎলমদাইদা ৱা–ৱা লাউখিবদু হল্লকপদদি চেক মোক লাউখিদ্রে। ধপনি, তাৎ পাৎনি হায়নখিবদু চুম্লক্লে। অদুনদি হৌদোং শরিক থাংবগী উচি ৱারেপতি তাহল্লরোইসি হায়নরক্লিবসি।

অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা মরু ওইনা মণিপুরদা থোক্লিবা ৱাথোক লাম্থোক কয়া মরম চানা মতম চানা লোইশিন্নবা হোৎনবগী মমি ইতা তাবা উদবগুম্না মীয়াম্না লৌনরি। ৱারগা মরাইনা তোকচখিগনি হায়বগী মওংদা থৌ–ৱা কয়া শাদবগুম্নসু উনরি। মসিদনি মীয়াম্না খোইরাংখোইশাওনরিবসি। হৌজিক্কী বি জে পিনা লুচিংবা দবল ইঞ্জিন লৈঙাক অসিসু ষ্টেট অসিগী ওইনদি চহী মাপল শুরক্লে। ময়েক্কীদি চহী তরা (১০) শুফম থোকপনি, চহী অমদি প্রসিদেন্ট রুল তৌখিবনি। বি জে পিনা লৈঙাক পায়রবদি আর্ম ফোর্সেস (স্পিসিয়েল পৱার) এক্ট ১৯৫৮ মণিপুরদগী পুমলৌ লৌথোক্কনি হায়না লাউখিবনি, হৌজিক্তি কমদৌরে পূন্নমক্না খঙনরবনি।

ঙসিদগী চহী নিপাল (৮) লোমগী মমাঙ কুমজা ২০১৭গী নভেম্বর থাদা মতম অদুগী ওপোজিসন লুচিংবা কোংগ্রেসকী ওক্রম ইবোবিনা হায়খিবা বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এনা লৈঙাক পায়বা খূদিংগী অরোনবা এজেন্দা পুদুনা হেক হেক লাকই হায়খিবদু খঙনিং নীংশিংলকই। রাজনিটিগী লাউনবগী চৈনবগী পঙাঙ ঙাঙব্রা হায়না খল্লম্বদু হৌজিক্তি অশেংবা ওইরে। বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এনা লৈঙাক পায়রিঙৈ কুমজা ২০০১গী জুন ১৮গী থৌদোক ঙসি ফাওবা কাওনদ্রি। জুন অপরাইজিং এন্দ য়ুনিটি দে থৌরম চহী খূদিংগী পাঙথোক্লি। মতম অদুদা মীয়ামগী ইহৌ অদুনা নাগা সিজ ফায়র এগ্রিমেন্টতা ৱিদআউত টেরিটোরিএল লিমিট হায়না হাপচিল্লুবদু লৌথোকখি। মতমদুগী প্রাইম মিনিষ্টর অটল বিহারি বাজপাই অমদি হোম মিনিষ্টর এল কে অদৱানিনা লৌথোক্লে হায়বা ৱাফম অদুমক লাউথোকখিবদগী ইরাং অদু নেমথখিবনি। মদুমক্না মণিপুর মীয়ামগী মরুওইনা মৈতৈ / মীতৈগী ইহুল ময়েক শেংনা খঙখ্রবনি। নাগা লালহৌলুপ এন এস সি এন (আই এম)গা *...মখা লমায় ৫দা...*

### সনালৈবাক্কী মপাউ











## ঙসিগী রাষি ফল (৩১–০৮–২০২৬)

ইবোপিশক নিংথৌজা (এৱার্দি)

*এষ্ট্রো এণ্ড পালমিষ্ট, পাউনা বাজার, ইম্ফাল*

**মেষঃ** ৱাখল লুশিন্না খনবা, চরাংনবা ওইরগনি। লুচিংবশিং লমলানবশিংনা নুংশিবিবা, মতেং পীবিবা য়াম্বা, পোৎ লৈবা য়াবা, মিংচৎ হেনগৎপা ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – অমত্তা ওইরগনি।
মহৈরোয়শিংগী – হোৎননিংগনি।

**বৃষঃ** শাওদবা তপথবনা হেন্না ফরগনি। অকনবা ৱাহৈ শীজিন্নবনা মরুপ্না য়েক্লবা ওইখিগনি। শেল চৎপা ৱাখল চঙবা থবক্লা হেনবা ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মুক্লগনি।
মহৈরোয়শিংগী – ৱাখল ফকচিনগনি।

**মিথুনঃ** খুদোংচাবা মায়োক্লবা, লুচিংবশিংনা চানবিবা, মতেং পীবিবা হেনগৎপা, শক খঙবিবা য়াম্বা ওইরগনি। চথোক চৎশিন্দা কান্নগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – অমত্তা ওইরগনি।
মহৈরোয়শিংগী – হোৎননিংগনি।

**কর্কটঃ** হৈ শিংনা চেকশিন্না হোৎনজগনি। শেল পীথোক পীশিন্দা চেকশিনগনি। থবক খরদি পাঙথোক্লগনি। লমলানবশিংনা চানবিরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – ৱাখল মান্নগনি।
মহৈরোয়শিংগী – লৌশিং হেনগৎলগনি।

**সিংহঃ** চাওখৎপা, ফগৎপা, মরুপ মফম পাক চাওখৎপা, মতেং পীবিবা হেনগৎপা, পোৎ লৈবা য়াবা ওইরগনি। ইমুংদা ইংনা লৈরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – নুংশিনগনি।
মহৈরোইশিংগী – বুদ্ধি চাওখৎলগনি।

**কন্যাঃ** চেকশিন্না হৈ শিংনা হোৎনজবতনা অফবা ফল ফংলগনি। লমলানবশিংনা চানবিরগনি। খুদোংচাবা থেংনরগনি। চথোক চৎশিন্দা খরা চেকশিনগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – লৌ তৌনগনি।
মহৈরোয়শিংগী – ৱাখল চঙলোই।

**তুলাঃ** চাওখৎপা ফগৎপা, থৌরম পাঙথোকপা, লুচিংবশিংনা চানবিবা, তিন্নবশিংনা মতেং পীবিবা, অরাপ্পা চৎপা মী লোয়নবা কান্নবা ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – অমত্তা ওইরগনি।
মহৈরোইশিংগী – হোৎননিংগনি।

**বৃশ্চিকঃ** অরুবা থৌরম পাঙথোকপা, মিংচৎ হেনগৎপা, শীংথাবিবদা য়াওবা, চথোক চৎশিন্দা কান্নবা ফংবা ওইরগনি। ইমুংদা শান্তি লৈরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মত চান্নগনি।
মহৈরোইশিংগী –লৌশিং হেনগৎলগনি।

**ধনুঃ** পূক্নিংদা ৱারৌবা লৈগনগনি। ইংনা তপথনা হোৎনজগনি। থবক্তি পাঙথোক্লগনি। কুইনদগী খঞ্জরকপা পাঙথোক্লগনি। ইমুংদা চরাংনগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – লৌ তৌনগনি।
মহৈরোয়শিংগী– চরাংনগনি।

**মকরঃ** শাওদনা তপথনা হোৎনজগনি। মসিনা অফবা ফল ফংলগনি। কল্লকপা য়েংশিনবসু লৈরগনি। লমলানবশিংনা চানবিরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – ৱারৌনগনি।
মহৈরোয়শিংগী – হোৎননিংলোই।

**কুম্ভঃ** খুদোংচাবা থেংনবা, চাওখৎপা ফগৎপা, পাঙথোক্নিংবা খরা পাঙথোকপা, বুদ্ধি লৌশিং হেনগৎপা, লুচিংবশিংনা চানবিবা ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মত চান্নগনি।
মহৈরোয়শিংগী – বুদ্ধি চাওখৎলগনি।

**মীনঃ** পূক্নিং হকচাং ৱাখল নুংঙাই, ফগৎপা ওইরগনি। চাংয়েংনবদা অফবা ফল ফংলগনি। লমতু চৎপা কান্নগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী– অমত্তা ওইরগনি।
মহৈরোয়শিংগী – লৌশিং হেনগৎলগনি।

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 9 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1064**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 6 | 1 | | | 5 | | | 3 | |
| | | 5 | 1 | | 3 | | | 6 |
| 4 | | | | 7 | | 5 | 1 | |
| 9 | 3 | | | | 6 | | 5 | |
| | 5 | 7 | | | 4 | | | 3 |
| | 4 | 6 | 5 | | | | | 1 |
| | 7 | | 3 | | | 4 | 6 | |
| 3 | | | 2 | | 5 | | | 7 |
| | | 4 | | 6 | | 3 | | |

সনা–সুদোকু–১০৬৪গী সোল্যুসন লমাই ৬দা

# য়ুক্রেনগী ক্যিবতা শোক্লরিবা লান অসিদা রসিয়াগী খ্বাইদগী শাথিবা এটেকতা ৩৭ শিখ্রে



ক্যিব, ওগষ্ট ৩০ (এজেন্সি):

য়ুক্রেনগী ওফিসিয়েলশিংনা সেলশিং, মাইনশিং অমসুং অতৈ এম্যুনিসন থম্মি হায়বা ক্যিবকী নোংচুপতা লৈবা ব্র্যারহাউস অমদা রসিয়াগী দ্রোন এটেক অমনা পানবদা পাক শন্না পোকখায়খ্রে অমসুং অনকপদা লৈবা য়ুম অমসুং বিল্ডিং কয়া ফাওবা য়ৌনা মৈ চাকখ্রে অমসুং মীওই ৩৭ শিখ্রে।

বুচা দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈবা ময়ীলা কৌবা খূঙ্গং অমগী মনুংদা লৈবা ব্র্যারহাউস অদুদা চত্থরকখিবা ইরাইগী নুমিদাংগী এটেক অদু চহী অসিদা লান অসিগী খ্বাইদগী মীশি-মীনা থোকপা এটেক অদুনি অমসুং নুমিৎচুপ্পা চত্থরকখিবা রসিয়ান এটেকশিংগী নুমিৎ হুন্নিগী নীনি শুবা নুমিৎতনি।

এটেকশিং অদুনা ক্যিবকী কোনুং অমসুং অকোয়বদা লৈবা মীয়ামগী পুন্সিদা শাথিনা অকায়বা পীখ্রে।

ব্র্যারহাউসতা চত্থরকখিবা এটেক অদুনা চাকহল্লকখিবা মৈনা য়ামদ্রবদা রেসিদেন্সিয়েল বিল্ডিং ৫০ শোকখি হায়না লোকেল রিজনেল মিলিটরি এদমিনিষ্ট্রেসনগী মকোক তৈমুর টাকাচেনকোনা হায়খি।

ক্রুশিংনা মীয়ামবু শাফগদবা মফমদা পুথোক্লবা অমসুং চাক্লিবা মৈশিং মুত্থৎনবা হোৎনখিবগা য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট বোলোদিমির জেলেনস্কিনা এটেক অদুবু কিনিংঙাইগী ফিভম অমনি হায়খি।

মসি মীয়ামগা হেক থংননা এক্সপ্লোসিবশিং পৈদুনা থল্লিবশিং অদুগী কিনিংঙাই ওইরবা থৌশাদবা অদুগী ফলনি হায়খি।

রসিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা লোং-রেঞ্জ দ্রোনশিংগী কম্পোনেন্টশিং অমসুং লোঞ্চবুষ্টরশিং থম্বা ব্র্যারহাউস অমদা এটেক তৌখ্রে হায়খি। ক্যিব রিজনদা য়ুক্রেনগী ফ্লেমিংগো ক্রুজ মিসাইলশিংগী পার্টশিং থম্বা ব্র্যারহাউস ফেসিলিটিজ অমসুং লোজিষ্টিক্স সেন্টর অমা অমসুং মায়কোলাইট অমসুং ইজমাইলগী পোর্টশিংদসু এটেক তৌখ্রে হায়না রসিয়ানা হায়খি।

ইরাই নুমিৎতা লৈবাক মীয়ামদা পীবা মাগী নুমিদাংৱাইরম ষ্টেটমেন্টতা জেলেনস্কিনা ক্যিবনা নুমিৎ খুদিংগী লোং রেঞ্জ ষ্ট্রাইকশিং অদু দ্রোন ১,০০০ য়ৌহন্নবা আশা তৌরি হায়খি। মোস্কোগী ফোর্সশিংনা ঙরাং নুমিদাং য়ুক্রেনগী দ্রোন ৩১৩ থুগাইখ্রে হায়না রসিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা থাংজ নুমিৎতা হায়খ্রে।

# খ্বাইদগী চাওবা অঙকপশিংগী মনুংদগী খরা থিজিল্লুনবা নাসানা স্পেসতা দোল্লর বিল্লিয়ন ৪ চংবা টেলিস্কোপ থাগৎখ্রে

কেপ কেনাবরেল, ওগষ্ট ৩০ (এজেন্সি):

এষ্ট্রোফিজিক্স অমসুং কোস্মোলোজিদা করিনো খঙদনা লৈরিবা খ্বাইদগী চাওবা অঙকপশিংগী মনুংদগী খরা থিজিল্লুনবা মিসন অমদা ঙসি নোংমাইজিং নুমিৎতা ফ্লোরিদাদগী নসাগী অনৌবা ফ্লেগসিপ এষ্ট্রোনোমিকেল ওবজার্ভেটরি স্পেসতা থাগৎখ্রে।

চাওরাক্লা দোল্লর বিল্লিয়ন ৪গী প্রোজেক্ট, নানসি গ্রেস রোমান স্পেস টেলিস্কোপ অদু স্পেস এক্স ফেলকোন হেবি রোকেট অমগী মথক্তা নাসাগী কেন্নেদি স্পেস সেন্টরদগী স্পেসতা পুখৎখি।

টেলিস্কোপ অসি পাক চাওবা চাংশিংদা গ্রেভিটিসু টেষ্ট তৌবা অমসুং ঐখোয়গী সোলার সিষ্টেমগী ৱাংমদা লৈবা প্লানেটশিং হায়বদি এক্সোপ্লানেটশিং থিবগা লোয়ননা দার্ক ইনর্জি অমসুং দার্ক মেটরগুম্বা তাইবংপানগী অঙকপশিং ইনভেষ্টিগেট তৌরগনি।



থাগৎত্রিঙৈগী মমাঙদা নোং-চীংগী নুংনাংবা খরা লৈখি অদুবু রোকেট অদুনা টেলিস্কোপ অদু অশঙবা অতিয়াশিং ফাওদুনা সুন্দ্রংগী অতিয়াদা পুখৎখ্রে। রোমাননা আর্থতগী মাইল মিল্লিয়ন ১ রোম লাপ্পদা লৈবা লাগরেঞ্জ পোইন্ট ২ কৌবা ওর্বিটেল মফম অমা তন্না স্পেসতা চৎখিগনি।

টেলিস্কোপ অদু অহেনবা চহী ৫গীদমক মতিকচাবা ফুয়েল য়াওরবা য়াই হায়না য়ু এস স্পেস এজেন্সি অদুনা হায়রবসু মিসন অসি চহী ৫গীদমক থৌরাং তৌবনি।

রোমাননা, ২০২১দা থাগৎখিবা জেমস ৱেব্ব স্পেস টেলিস্কোপ, অমসুং ১৯৯০দা থাগৎখিবা হব্বল স্পেস টেলিস্কোপকুম্বা অতৈ ওর্বিটিং ওবজার্ভেটরিশিংগী কেপাবিলিটিশিং অদুগী য়ুমফমদা মখা তাবা থবক তৌগনি।

হৌজিক ফাওবগী মনুংদা তাইবংপানবা অসিগী খ্বাইদগী মরিকুম্বা ৩দি মেপ অদু শেমদুনা রোমাননা দার্ক ইনর্জি অমসুং দার্ক মেটর হায়রিবা অঙকপা ওইনা লৈরিবা কোস্মিক কম্পোনেন্ট অনিগী মরমদা খঙহনবদা মতেং ওইগনি।

# য়ুক্রেন এটেকশিং ঙাকথোক্লবা হোৎনবদা রসিয়াগী জহাজশিং এন্টি-দ্রোন নেটশিং শারংশিংনা কুপশিনখ্রে

মোস্কো, ওগষ্ট ৩০ (এজেন্সি):

য়ুক্রেনগী পাকশন্না চত্থরল্লিবা দ্রোন কেম্পেনদগী রসিয়ানা মখোয়গী জহাজশিং ঙাকথোক্লবা হেন্না ইম্প্রোভাইজ ওইবা ঙাকথোক্লবা পান্থে শীজিন্নরক্লে, মদুনা ওইল টেঙ্করশিংবু মুভি অমগী শক্তমগা মান্নরে।

মোস্কোনা মাগী মেরিটোইম ইনফ্রাষ্ট্রকচরবু য়ুক্রেনগী এটেকশিংদগী ঙাক্লবা হোৎনবদা ব্লেক সি অমসুং অনকপা ঈশিংলমদ চৎপা জহাজশিংদা হৌজিক এন্টি-দ্রোন নেটশিং, য়োৎকী শারংশিং অমসুং ৱাটর টেঙ্কশিং ফাওবা নপশিনখ্রে।

মদুগী খ্বায়দগী নৌবা খুদমদি, য়ু কে অমসুং য়ুরোপিয়ান গভর্ণমেন্টশিংনা সেঙ্কসন তৌবা, চহি ২৮ লিরবা টেঙ্কর কারুজোনি, ফাইনান্সিএল টাইমসকী মতুং ইন্না, সিপ্পিং এনালিষ্ট য়োরুক ইসিকনা ফিল্ম লৌহৌখিবা ফুটজে পল্লদুনা, জহাজ অদুগী নাকনশিংদা এন্টি-দ্রোন নেট্টিং য়ান্থরগা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা বোসফোরস লান্থোক্তুনা চৎখি। টেঙ্কর অদুদা ৱাটর টেঙ্কশিং নপখি। জহাজগী মথক্তা শারং মানবা ষ্ট্রকচর অমনা কুপই।

অসিগুম্বা ঙাকথোক্লবা উপায়শিং অসি য়ুক্রেনগী লানফমশিংদা তোয়না উবা শক্তম অমা ওইরে। সি ওফ মারমারাদা ইষ্টানবুলগী খাদা হোনবা রিজবেল কৌবা অতোপ্পা সেঙ্কসন টেঙ্কর অমসু নেট মরোল অমা কুপই।

মসিগী ঙাকথোক্লবগী মখল অসিনা দ্রোনশিংবু জহাজ য়ৌদ্রিঙৈদা অতোপ্পা অপনবা অমা পী। য়োৎকী শারংশিং অদুনা পাইশিল্লক্লিবা ৱারহেদ অমসুং জহাজ অদুগী মরক্তা অহোবা অমা শেমই মদুনা মপুংওইবা টার্গেট ষ্ট্রকচর অদু য়ৌদ্রিঙৈদা পোকখায়বা থোকহল্লি। নপশিল্লিবা ৱাটর টেঙ্কশিং অদুনসু খরা ঙাকথোকই, পোকখায়বগী শাফু খরা চুপশিল্লি।

মথক্তা লাংনা খনখ্রে।

য়ুক্রেননা রসিয়াগা মরি লৈনবা সিপ্পিং অমসুং ইনর্জি ইনফ্রাষ্ট্রকচরগী মথক্তা অঙকপ ফংনা এটেক চত্থবা হেনগৎলকখিবদগী মহৌশাগী ওইবা খোঙথাংশিং অসি লৌখৎলকখিবনি। য়ুক্রেনগী ফোর্সশিংনা জুলাই ২০২৬কী অঙনবদগী, রিপোর্ট অদুগী মতুংইন্না, সি ওফ এজোব অমসুং ব্লেক সিদা রসিয়াগা মরি লৈনবা জহাজ ২১৮ হেন্না এটেক তৌখ্রে।

রসিয়াগী শেডো ফ্লীট হায়নরিবা অমসুং ফীদর টেঙ্কশিং টারগেট তৌনবা য়ুক্রেননা অনক্রু সর্ফেস বেসেলশিং জেট-পাৱারদ দ্রোনশিং অমসুং এন্টি-সিপ মিসাইলশিং শীজিন্নবা হেনগৎখি। মদুগী পান্দমদি ক্রেমলিনগী লানগী ইকোনোমি থিংনবা অমসুং খুদুমচল্লিবা ক্রিমিয়াদা সপ্লাই তৌরিবা ফুয়েল রুটশিংদা খুরৌ থাংহনবনি।

য়ুক্রেনগী কেম্পেন অসিনা রসিয়া অমসুং য়ুক্রেনগী ৱাংমদসু নুংনাংনবশিং পোকহনখ্রে। হৌখিবা থাদা য়ু এস ভাইস প্রসিদেন্ট জে দি ভেন্সনা য়ু এস ওইল কম্পেনিশিংগী য়েংদুনা অমসুং গ্লোবেল ইনর্জি মার্কেটশিংদা শোকহল্লকপা য়াবনা নোবোরোসসিয়স্কদা কাস্পিয়ান পাইপলাইন কন্সোর্টিয়ম টর্মিনেল মনাক্তা এটেকশিং লেপ্পবা য়ুক্রেনদা খঙহনখি।

রসিয়ান ওইল এক্সপোর্টশিং অমসুং য়ুক্রেন গ্রেন সিপমেন্ট অনিমক্কীসু ব্লেক সিনা মরুওইবা লম্বী অমা ওইরিবনি।



## খঙহঞ্জবা

DCOMAC-Keinou গী Executive Committee মীয়ামগী মফমদা ৱাফম অমত্তং খঙহঞ্জরি মদুদি কনাগুম্বনা DCOMAC-Keinou গী Executive Committee গী অমদি হৌজিক হৌজিকমক কোলেজ অসিগী প্রিন্সিপাল ওইরিবী M. Pishak Devi গী অয়াবা য়াওদনা কোলেজ গী মমিং অমদি মরি লৈনবা চে চাং, অতৈ-অতৈ থবক অমত্তা তৌবিদনবা খঙহঞ্জরি। কনাগুম্বনা হায়জরিবা ৱাফম অসিগী ৱাংমদা থবক তৌবিরক্লবদি আইনগী মতেং লৌজরগা লৌখৎফম থোকপা থবক লৌখৎচরগনি মদুদা থোক্লকপা অফ-ফত্তগী দাইত্ব পুন্নমক অদোম ইশা-ইশানা পুবিগনি।

পাউজেঞ্জরিবা
Secretary
P. Yesuchandra Singh
District College of Music, Arts and Culture
DCOMAC Keinou
30/8/2026

SL/Atho/31



## ক্রোসৱার্দ ১১৩০ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| V | A | S | E | S | | E | L | L | A | | P | U | S | S |
| I | M | P | L | Y | | L | A | I | R | | I | N | C | A |
| S | P | R | I | N | G | C | O | F | F | E | E | D | A | Y |
| A | L | E | | D | E | I | S | T | | A | T | O | M | S |
| S | E | E | S | R | E | D | | E | Z | R | A | | | |
| | | | A | O | K | | I | D | O | L | | M | D | S |
| C | H | A | S | M | | C | O | O | L | | S | U | R | E |
| O | U | T | H | E | A | R | T | F | A | S | T | T | A | X |
| L | E | I | A | | L | E | A | F | | C | A | T | T | Y |
| E | S | T | | T | A | S | S | | P | A | L | | | |
| | | | B | O | S | C | | D | E | V | E | L | O | P |
| A | S | H | E | N | | E | M | O | T | E | | E | D | U |
| S | T | A | T | I | O | N | E | V | E | N | J | A | I | L |
| T | A | R | S | | I | D | L | E | | G | A | S | U | P |
| O | B | E | Y | | L | O | T | S | | E | N | E | M | Y |





UNACCO SCHOOL
EXCELLENCE IN EDUCATION
Meitram, Imphal-West, Manipur - 795140

**RECRUITMENT NOTICE**

| Sl. No. | Name of the Post | Qualification | No. of the Post | Salary |
|---|---|---|---|---|
| 1 | PRT Hindi | Graduate in the respective subject or Graduate with Hindi Ratna with minimum 5 years of Teaching Experience. | 1 | Rs.18,000/-p.m. |
| 2 | Lab Assistant | B.Sc. or an Associate degree in Biology, Chemistry, or a related science field is preferred for Technical Labs with minimum 3 years of Experience | 1 | Rs.15,000/-p.m. |
| 3 | Vocational Trainer | Graduate in the relevant subject from recognized Institution with minimum 3 years of Experience. | 1 | Rs.21,000/-p.m. |

Submit Biodata with recent passport photo latest by 05th September, 2026 to the following address: HRD, UNACCO School, Meitram

+91 - 7642038216 hr@unaccoschool.in


# হান্নগী ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্লরিবা নেপালদা অনৌবা ঈচাও থোক্লকপা য়াবগী ৱার্নিং তৌখ্রে

ধাদিং, ওগষ্ট ৩০ (এজেন্সি):

ভোটেকোসি তুরেলগী ঈশিং ঈমাই ৱাংখৎলকখিবদগী নেপালদা ওাথোরিটিজনা ঙসি নোংমাইজিং নুমিৎতা নৌহৌনা ঈচাও থোক্লকপা য়াবগী ৱার্নিং তৌখ্রে অমসুং হান্নদগী ঈচাওনা শোকহল্লবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈবা মীয়াম য়ান্না চেকশিন্না লৈনবা আপিল তৌখ্রে।

য়ুমশংকেশা নুমিৎকী শাথিবা ঈচাওশিং অদুদা য়ামদ্রবদা মীওই ৮০০ শিখ্রে অমসুং নেপাল অমসুং টিবেটতা মীওই ৩,০০০ হেন্না থিবা খঙদ্রি।

ঈচাও অদুনা খ্বাইদগী থিনা শোকহল্লবা মফমশিং অদুগী মনুংদগী



অমগা কাথমান্দুগা শন্নহনবা মরুওইবা হায়ৱে অমা রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা শেং দোক্লবা থবক তৌরি।

নেপালদা খ্বাইদগী থীনা শোকপা রিজনশিংগী মনুংদগী অমা ওইরিবা ধাদিংদা মীওই খরনা মখোয়গী মাঙ-তাক্লবা য়ুমশিংদা করি শেমজিন শাজিনবা য়াবগে হায়বা য়েংনবা হন্নরকপা হৌখ্রে।

ঈশিং ঈচাওশিং অদুনা শাথিনা শোকহনখিবা মরুওইবা পৱারপ্লান্ট অদুদা মাঙ-তাকখিবশিং অদু সর্ভে তৌনবা ৱার্করশিংনা নোংমাইজিং নুমিৎতা ফেসিলিটিজ অদু য়েংশিনবা হৌখ্রে।

প্লান্ট অদুনা দিষ্ট্রিক্ট ৪দা লৈবা মীওই ২০,০০০গী থবক তৌরিবনি।

নেপালগী নেসনেল দিজাষ্টর রিস্ক রিদক্সন এন্দ মেনেজমেন্ট ওাথোরিটি চীফ একজিক্যুটিব ধরম রাজ উপ্রেতিগী মতুং ইন্না, চাইনিজ ওাথোরিটিজনা মখোয়গী নেপালিজ ফম্মান্নবশিংদা মথকলোমদগী ঈশিং চেন্থরকপা হেনগৎলকখিবা মতুং খ্বাইদগী নৌবা ৱার্নিংশিং অদু তৌখিবনি।

# দোক্লাম ষ্টেন্দওফ, গলৱান ক্লাসশিংগী মতমদা চাইনিজ জেনরেল ওইখিবা ঝাও জোংকি প্রসিদেন্ট জিনপিংনা মফম লৌথোকখ্রে

বৈজিং, ওগষ্ট ৩০ (এজেন্সি):

ইন্দিয়াগা চাইনাগী বোর্দর টৈনসনশিং থোকখিবা মতমদা চাইনাগী মরুওইবা মিলিটরি কম্মান্দরশিংগী মনুংদগী অমা ওইরিবা জেনরেল ঝাও জোঙ্কি লৈবাক অদুগী মকোকথোংবা পোলিটিকেল এদভাইজরি বোদি অদুদগী লৌথোকখ্রে।

চাইনিজ পিপলস পোলিটিকেল কন্সলটেটিব কনফরেন্স (সি পি পি সি সি) অমসুং অতোপ্পা ফম অনিদগী ঝাও লৌথোকখ্রে।

ইন্দিয়াগা তায়নবা মফম অদু য়াওনা চাইনাগী নোংচুপ থংবা ঙমখৈ পরিংদা মিলিটরি ওপরেসনশিং য়েংশিনবা ৱেষ্টর্ন থিয়েটর কম্মান্দগী অহানবা কম্মান্দর অদু মহাক্নি।

মসিগী অনৌবা খোঙথাং অসি চাইনাগী প্রসিদেন্ট জি জিনপিংনা লৈবাক অসিগী আর্ম ফোর্সশিংদা চত্থরকপা পাক চাওবা করপসন মুত্থৎনবগী শরুক অমা ওইগনি থাজে ।



চাইনাগী হৈলোংজিয়াং প্রোভিন্সতা ১৯৫৫তা ঝাও পোকখি অমসুং মশাগী শুপ্নগী চহী ১৬ শুরকপদা পি এল এদা য়াওখি। মহাক্না ১৯৭৯গী চাইনা-ভিয়েটনাম ৱারদা ৱেষ্টর্ন ফ্রন্টতা লান্থেংনখি।

মহাক্না কোন্না ১৯৮৬তগী ৮৮ ফাওবা পি এল এ লেংগ্বেজ ইনষ্টিট্যুটতা অরাবিক তমখি। মহাক্কী ষ্টদিজশিং লোইশিল্লবা তুংদা টাঞ্জানিয়াদা চাইনিজ এম্বেসিদা মিলিটরি এটেচি অমা ওইনা থবক তৌখি। মহাক্না ১৯৮৯দা চাইনাদা অমুক হল্লকখি অমসুং সেনিয়ার মিলিটরি ফম কয়া পায়খি।

১৯৯০দা নৌনা শেমখিবা মাউন্টেন ব্রিগেদ অদুগী অহানবা কম্মান্দর অদু মহাক্না ওইখি অমসুং মথংদা টিবেট মিলিটরি রিজনদা থবক তৌখি অমসুং পি এল এগী ১৩শুবা অমসুং ১৪ শুবা গ্রুপ আর্মিজ অদু কম্মান্দ তৌখি। মহাক্না ২০০৭দা জিনান মিলিটরি রিজনগী চীফ ওফ ষ্টাফ ওইরকখি। মহাকপু ২০০৯দা লেফটনেন্ট জেনরেলগী ফমদা প্রমোসন পীখি। মথংদা জিনান মিলিটরি রিজনগী কম্মান্দর ওইরকখি।

মহাকপু ২০১৬দা ৱেষ্টর্ন থিয়েটর কম্মান্দগী ফার্ষ্ট কম্মান্দর ওইনা খনখি। মহাক্না ২০১৭ দোক্লাম ষ্টেন্দওফ অমসুং ইন্দিয়াগা ২০২০দা গলৱান ভেলি ক্লাস থোকখিবা মতমদা কম্মান্দ অদুগী থবক পুখি।

নাকন অমরোমদসু চাইনানা মখোয়গী হায়েষ্ট মিলিটরি কম্মান্দগী মকোকথোংবা মিলিটরি ওফিসার ২সু মফম লৌথোকখ্রে।

দিসিপ্লিন অমসুং লো শাথিনা থুগাইবগী চিংনবগী মতাংদা ইনভেষ্টিগেসনশিং তৌরবা তুংদা সেন্ট্রেল মিলিটরি কম্মসন (সি এম সি) ভাইস চিয়ারমেন ঝাং য়ৌজিয়া অমসুং সি এম সি মেম্বর অমসুং জেইন্ট ষ্টাফ দিপার্টমেন্ট চীফ লিয়ু ঝেনলিষ্টে সি এম সিদগী মফম লৌথোকখ্রে।

লৌখৎলিবা খোঙথাংশিং অসিনা মেম্বর ৭কী কম্মিসন অদু চাইনিজ প্রসিদেন্ট সি জিনপিং য়াওনা শুন্নতগী এক্টিব মেম্বর অনিখক্তা ঙাইহৌরে।

# অকনবা এল নিনোনা অহেনবা ওইনা মিল্লিয়ন ৪৯ অমগসু চাবা ফংদবগী খুদোংথিবা থোকহল্লবা য়াই হায়না দব্লিয়ু এফ পিনা ৱার্নিং তৌরি

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ৩০ (এজেন্সি):

অকনবা এল নিনো ৱেদরগী থৌদোক অমনা মথং চহি লোইবফাওবগী মনুংদা মালেমগী খ্বায়দগী শোকপা য়াবা লমদমগী খরদা অহেনবা ওইনা মী মিল্লিয়ন ৪৯ অমগদসু শাথিনা চাবা ফংদবগী শাথিবা ফিভম মায়োক্লহল্লবা য়াই হায়না ৱার্ল্ড ফুদ প্রোগ্রামনা নুমিৎতা হায়খ্রে।

সমুদ্রগী ঈশিং ঈমায়গী টেম্পরেচরশিং অদু য়ামদ্রবদা ১৯৮২গী মতুংদগী মখোয়গী খ্বায়দগী শাবগী লেভেলশিংদা য়ৌখিবা অমসুং ১৯৫০গী মতুংদসু মদুনা অসিগুম্বা খ্বায়দগী কনবা থৌদোক ওইহন্দুনা য়ান্না কনবা এল নিনো থৌদোক ওইবা য়াবগী চাদা ৪১গী তাঞ্জা অমা লৈ হায়না য়ু এন এজেন্সি অদুনা হায়খি।

পেসিফিকতা সমুদ্র ঈমায়গী টেম্পরেচরসকী মতম-মতমগী শাগৎলকপা অমা ওইরিবা এল নিনোনা মালেমগী নোং-চীং, ঈশিং-নুংশিৎকী মওংশিং হোংহল্লকই অমসুং অয়াম্বা মতমদা খা থংবা আফ্রিকাদা ঈকং থোকহল্লি, এসিয়াগী লমদমশিংদা মোনসুনশিং মতম থেংথহল্লি অমসুং মফম অয়াম্বা নোংচুবা চাং নাইহন্দে।

হৌখিবা মতমদা অচৌবা চাংদা চাবা ফংদবগী থৌদোকশিং থোকহনখিবা লৈরে হায়না দব্লিয়ু ঐফ পিদা ফুদ সেক্যুরিটি এন্দ ন্যুত্রিসন এনালাইসিস সার্ভিসকী দাইরেক্টর জিন-মার্টিন বামুরেবনা পাউমীশিংদা হায়খি।

এল নিনোগী ফত্তবা ফল মায়োক্লবা য়ারিবা লৈবাক ৪৫গী এনালাইসিস অমদা য়ুমফম ওইরগা চাবা ফংদবগী শাথিবা ফিভম মায়োক্লগদবা মীগী মশীং অদু মিল্লিয়ন ৪৯ হেনগৎতুনা পুন্না মী মিল্লিয়ন ২৭৪ য়ৌহল্লকপা য়াই। মদু হান্ননা ক্রাইসিস-লেভেল ফুদ ইনসেক্যুরিটি নৎত্রগা হেন্না শাথিবা ফিভম হান্ননা মায়োক্লরবা বেজলাইন পোপুলেসনগা চাংদন্নবদা চাদা ২২ হেনগৎলবনি হায়না দব্লিউ পি এফনা পারি।

চাবা ফংদবা মীগী মশিং সেন্ট্রেল আমেরিকাদা চাদা ৮৩ অমসুং খাথংবা আফ্রিকাদা চাদা ৭৫ রোম হেনগৎতুনা খ্বায়দগী থীনা শোকপা লমদমশিংগী মনুংদা সেন্ট্রেল আমেরিকা অমসুং খাথংবা আফ্রিকা য়াওরবা য়াই হায়না দব্লিউ এফ পিগী রিপোর্ট অদুনা হায়রি।



## LOST OF DOCUMENTS

I have lost my Marksheet and Certificae of HSLC Examination bearing Roll No. 33874 of 2022 issued by Board of Secondary Education Manipur on the way between Khongjom to Thoubal on 21st August, 2026. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

**Sd/- *Sapam Thajamanbi Devi***
D/o Sapam Yaima Singh
Khongjom Mamang Lekai
***Mobile No. 9366013759***

SL/Subash/31





## Advance Social and Educational Development Association
## Regd. No. 210/M/SR/1985

**Notice**

29th August, 2026

It is hereby notified to all the members of the "Advance Social and Educational Development Association" that the Special General Body meeting of the Association will be held on 15th September, 2026 at 3pm at its office addressed at Khurai Kongpal Chingangbam Leikai, Imphal East, Manipur to service the lasped Association under the guidance of Registrar of Societies, Manipur to transact the following agenda.

**Agenda:**
1. Election of Managing Committee Members.
2. Misc.

Tentative voter list is published objection/complain, if any shall be made on or before 3 pm of 2nd September, 2026.

| Sl. No. | Name | Sl. No. | Name |
|---|---|---|---|
| 1 | Smt.Th. Ibemu Devi | 29 | Khomdram Sibaramda Singh |
| 2 | O. Sovachandra Singh | 30 | Ningombam Nabakishor |
| 3 | Smt. O. Shantani Devi | 31 | Amarjit Naorem |
| 4 | Th. Keshorjit Singh | 32 | Nongmeithem Bhumeshwor |
| 5 | O. Chaiba Singh | 33 | Laishram Dayananda Singh |
| 6 | O. Thaballei Devi | 34 | Nongmeithem Benita Devi |
| 7 | Km. Th. Shita Devi | 35 | Thomas Naorem |
| 8 | Th. Sajouba Singh | 36 | Akoijam Bobby |
| 9 | O. Sharat Singh | 37 | Laishram Binodini Devi |
| 10 | Th. Babudhor Singh | 38 | A.K. Anita |
| 11 | L. Ranjit Singh | 39 | Karam (N) Kunjeshori Devi |
| 12 | L. Bino Singh | 40 | Akoijam Sunita |
| 13 | Km. O. Dhanamanjuri Devi | 41 | Arambam Imomcha Singh |
| 14 | Kh. Thoiba Singh | 42 | Khongbantabam SharatChandra |
| 15 | Km. Kh. RanjitaChanu | 43 | Leihourungbam Sanjoy Singh |
| 16 | Km. L. Promila Devi | 44 | Laishram Kuber Singh |
| 17 | O. Rajamani Singh | 45 | Loukrakpam Robindro Singh |
| 18 | Th. Khoirum Singh | 46 | Keishm Julli |
| 19 | Kh. Pari Singh | 47 | Thongam Paulson Meitei |
| 20 | Th. Rasmani | 48 | Premika Ngangom |
| 21 | O. Kiranbala Devi | 49 | Thangjam Birjit Singh |
| 22 | O. Birendra Singh | 50 | Thangjam Bikramjit Singh |
| 23 | O. Sangbanabi Devi | 51 | Laishram Ashalata Devi |
| 24 | Th. Birachandra Singh | 52 | Yumnam (O) Shilla Devi |
| 25 | O. Bheigya Singh | 53 | Yumnam Sunil Singh |
| 26 | Khaibam Samarjit Singh | 54 | Khongbantabam SenthoiChanu |
| 27 | R.K. Chabitarani Devi | 55 | Khongbantabam Babita Devi |
| 28 | Athokpam Sunita Devi | 56 | Laishram GokulChandra Singh |

Sd /-
**(Leihaorungbam Sanjoy)**
**Ex-Secretary**

SL/5391/31

